# উত্তর প্রদেশতা পাঙথোকখিবা ৫শুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৭.৩৬ ওইখ্রে



লক্ষ্নৌ, ফেব্রুৱারী ২৭ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশতা ঙসি পাঙথোকখিবা মঙাশুবা তাঙ্কক্কী এসেমব্লি ইলেক্সনদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৭.৩৬ ওইখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ১১গী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫২ দা মীখল পাঙথোক্কদবদা ইলেক্সন কন্মিসননা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমগী মীখল য়ৈথোকখিবা মরম্না কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫১ দা মীখল পাঙথোকখি।

অলাহপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা সমাজৱাদি পার্টি (এস পি)গী মীরেপ চন্দ্রসেখর কনোজি লৈখিদবদগী ইলেক্সন কন্মিসননা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী ওইনা মীখল য়ৈথোকখি। মার্চ ৯ দা অলাহপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল পাঙথোক্কনি হায়রি।

ঙসি মীখল পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি, অমেথি, সুল্টানপুর, ফাইজাবাদ, বরাবঙ্কি, অম্বেদকরনগর, বহারেক, স্রবষ্টি, বলরামপুর, গোন্দা, বষ্টি, সিদার্থনগর অমসুং সেন্ট কবিরনগরনি।

অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা নুপী ৪০ য়াওনা মীরেপ ৬০৭ না লম্বা তৌনরি। বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)না এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫১ মক্তা মীরেপ থাদোক্লি। অমরোমদা, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ওইনদি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫০ দা মীরেপ থাদোক্লি। বি জে পিনা মীরেপ থাদোক্তবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবা অপনা দলগী মীরেপ থাদোকখি।

সমাজৱাদি পার্টিগী ওইনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪৩ দা মীরেপ থাদোকপগা লোয়ননা পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবা কোংগ্রেসনা অতোপ্পা কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৪ দা মীরেপ থাদোকখি।

মীখলদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা অচুম্বা মওংদা মীখল পাঙথোক্লবা মাঙজৌননা থৌরাং লৌখৎখি। সিক্যুরিটিগী থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবগীদমক পুলিস ওবজার্ভর ৬ হাপখি। পোল্লিং ষ্টেসন ২,৩০০ সেন্সিটিব ওই হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা পোল্লিং ষ্টেসন ১,৭৯২ দা ৱেবকাষ্ট তৌদুনা অচুম্বা মওংদা মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু পিগী মীখলদা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বহুজন সমাজ পার্টি মায়থীবা পীদুনা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অমা লাক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস অমদি সমাজৱাদি পার্টিগী এল্লাইন্সপু লুপখিগদৌরবা জহাজনি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, শাংলবা চহী কয়া ষ্টেট অসিবু মীরাইদুনা লাকখিবগীদমক কোংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিবু মীয়াম্না ৱারকপা মতম ওইরে।

ফেব্রুৱারী ২৩ দা পাঙথোকখিবা উত্তর প্রদেশকী মরিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৩ রোম য়ৌখিবনি। কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫৩গী মনুংদা সমাজৱাদি পার্টিনা ২৪, বি জে পিনা ৫, বহুজন সমাজ পার্টিনা ১৫, কোংগ্রেসনা ৬ অমসুং অতে পার্টিশিংনা সীট ৩ ফংবা ঙমখিবনি।

নুপী ভোটর লাখ ৮৪ য়াওনা অপূনবা ভোটর ক্রোর ১.৮৪ না মীরেপ ৬৮০ গী মরাইবক লেপ্পবগীদমক ভোট থাদনখি। ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়রিবা সমাজৱাদি পার্টিনা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অমসুং ময়াৱতিগী বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গা অকনবা লম্বা পানরি।

তাঙ্কক অসিগী মীখল পাঙথোক্লব-গীদমক ভোট খোম্বগী থবক পায়খৎনখিবদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা ৱাহৈগী লাল শোক্লখিবগা লোয়ননা উংখৎনবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং কোংগ্রেসকী এল্লাইন্স, লোয়ননা বি এস পিবু অকনবা মওংদা হুন্দুনা ৱা ঙাওখি।

বুন্দেলখান্দ রিজনদা যাদব ফুরুপকী মীওই মশীং য়াম্না লৈতবগা লোয়ননা হন্থবা ফুরুপকী মীওই কয়ামরুম খুন্দাবা মরম্না বি এস পিগী খুদোংচাবা ফংগনি হায়না থাজনরি। অদুমওইনমক বি জে পিগী উমা ভারতিসু বুন্দেলখান্দি অমা ওইবা মরম্না মীখল অসিদা বি জে পিগীসু সীট খরমখৈদি ফংলবা য়াই হায়না থাজনরি।

তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা মীখল পাঙথোক্লিবা উত্তর প্রদেশতা মার্চ ৪ অমসুং মার্চ ৮ দা লেমহৌরিবা তাঙ্কক অনীগী মীখল পাঙথোক্কদৌরি। মার্চ ১১ দা মীখলগী ফল হায়দোক্লগনি।

ফেব্রুৱারী ১৯ দা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা তাঙ্কক্কী এসেমব্লি মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬১.১৬ ওইখিবনি। তাঙ্কক অসিদা লৈঙাক পায়রিবা সমাজৱাদি পার্টিগী মরুওইবা মফমনি হায়না লৌনরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬৯দা ভোট থাদনখি।

য়ু পিগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর টি ভেনকাটেশনা হায়খি, নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দা ভোট থাদবা লোইশিনখিবদা চাংচৎতা ভোট থাদখিবগী চাং চাদা ৬১.১৬ ওইখি। পোল্লিং বুথ ২৫,৬০৩ দা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবা মরম্না থোইদোকপা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদে। কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সন অমসুং কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা হায়রিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অসিদা ভোট থাদবগী চাং মথংশিংনা ৫৯.৯৬ অমসুং ৫৮.৪৩ ওইখিবনি।

## 'লান্না লমজিংখ্রবা নহারোল খরনা দি য়ুগী ৱাথোক ওইহল্লকপনি'



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৭ (এজেন্সী): রামজাস কোলেজদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর ভেনকায়া নাইদুনা হায়খ্রে মদুদি, লান্না লমজিংখ্রবা নহারোল খরনা থৌদোক অদু থোকহনখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, মীওই খরনা নহরোলশিংবু লান্না লমজিংদুনা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস, মরুওইনা রামজাস কোলেজদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকহনখি। ইন্দিয়াদা খুন্দারিবা মীওই কাঙলুপ খরগী পূক্নিং শোকপা য়াবা থৌওং লৌখৎলকপা মরম্না থোকহন্নীংদবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি)বু নেসনেলিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অতৈ অতোপ্পা ওর্গনাইজেসনশিংগী ৱাখল্লোন তোঙানবা মরম্না অয়াম্বা মতমদা এ বি ভি পি অমসুং অতৈ ওর্গনাইজেসনগী মরক্তা মুক্লবগী থৌদোক হেক-হেক থোক্লকই। অতোপ্পা ওর্গনাইজেসননা মশাগী অপাম্বা ৱাখল্লোন ফোঙদোকচবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস অমদা মপানগী মীওই চঙহনবগী থৌওং খুদক্তা লেপহনবা মথৌ তাই।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২২ দা এ বি ভি পি অমসুং ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্ট'স এসোসিএসনগী মরক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা রামজাস কোলেজগী কেম্পস মনুংদা থোকখিবনি। কোলেজ অসিদা পাঙথোক্কদবা সেমিনার অমদা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় উমর খলিদ অমদি সেহলা রসিদপু ৱা ঙাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলুবদগী নাকল অনী মুক্নরক্লুনা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা মহৈরোয় ২০ লোম অশোক-অপন নংখি।

## টামিল নাদুদা জাল্লিকাটু পাঙথোকপদা মীওই ৪৭ অশোক-অপন নংখ্রে

থঞ্জাবুর, ফেব্রুৱারী ২৭ (এজেন্সী): টিরুকনুরপটিদা পাঙথোকখিবা জাল্লিকাটুগী থৌরমদা মীওই ৪৭ অশোক-অপন নংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর এ অনাদুরাইনা ঙরাং মফম অসিদা হৌদোকখিবা জাল্লিকাটুগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মীওই ২৩ য়াওনা অপূনবা মীওই ৪৭ অশোক-অপন নংখিবনি। মীওই ১৮ দি ফীভম থীনা শোকপদগী থঞ্জাবুর মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। অতৈ মীওইশিংদি কা হেন্না শোক্তবা মরম্না ফার্ষ্ট এইদ পীরগা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

ষণ লাবা ফাবগী থৌরম অদুদা পূন্না অচৌবা ষণ লাবা ২৭৬ শীজিন্নখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১০ দসু অলানগনালুর মনাক্তা পাঙথোকখিবা জাল্লিকাটুগী থৌরমদা মীওই ৪৭ অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি। চহী ৩ লোম লেপ্পুরবা মতুংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি রাধাকৃষ্ণন, দি এম কেগী লুচিংবা এম কে ষ্টেলিন অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মিনিষ্টর সেন্টিল থোন্দামাননচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়ামরুম শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর বিরা রাগবা রাওনা শরুক য়াখিবা মীওই ১,৪৬৪ দা ৱাশক লৌরবা মতুংদা জাল্লিকাটুগী থৌরম অদু হৌদোকখি। মায় পাক্লবা মীওইশিংদা কার, কাংখোঙ অনীগী গাড়ী, শেল অমদি অতৈ পোৎলম কয়ামরুম মনা ওইনা য়েন্থোকখি।

নুমিৎ অদুগী থৌরমদা টামিল নাদুগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী পুরকপা ষণ লাবা ৯৫০ ফানবা হোৎনবদা মীওই ৪৭ শোকখিবনি।

ফেব্রুৱারী ৫ দসু মদুরাই দিষ্ট্রিক্টকী অবানিপুরমদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা জাল্লিকাটুগী থৌরমদা মীওই ৩৬ অশোক-অপন নংখি।

ষণ লাবা ৯০০ লোম শীজিন্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওই অমা ফীভম থীনা শোকখি। শোক্লবা মীওই খুদিংমক থৌরম পাঙথোকফম মনাক্তা হাংদোকপা মেদিকেল কেম্পতা লায়েংখি। মীওই লিশিং কয়ানা য়েংখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই ৭০০ লোমগী মনুংদা ৩৬ অশোক-অপন নংখিবনি।

রেভিন্যু মিনিষ্টর আর বি উধয়া কুমার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর বিরা রাগবা রাওনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস য়াওনা দিষ্ট্রিক্টকী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। পুলিসনা হায়খি মদুদি, জাল্লিকাটুদা য়াওগদবা মীওই অমদি ষণ লাবা খুদিংমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পীখিবা গাইদলাইন মতুংইন্না মেদিকেল টেষ্ট পাঙথোকখি।

মহৌশানা পোঙ্গাল কুম্মৈ মতমদা জাল্লিকাটুগী থৌরম পাঙথোকপনি। অদুবু হন্দক্তি সুপ্রিম কোর্টনা অথিংবা থমখিবদগী পোঙ্গালদা জাল্লিকাটু পাঙথোকখিদে। সুপ্রিম কোর্টনা অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী মফম কয়াদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লকপদগী জান্যুৱারী ২৩ দা টামিল নাদু এসেমব্লিনা এমেন্দমেন্ট বিল অমা পাস তৌদুনা জাল্লিকাটু পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীখি।

ষ্টেটকী মফম কয়াদা মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা টামিল নাদু এসেমব্লিনা জান্যুৱারী ২৩ দা মোত অমত্তা ওইনা জাল্লিকাটুগী বিল পাস তৌখিবনি।

এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমনা জাল্লিকাটু বিল পুখৎখি। প্রিভেন্সন ওফ ক্রুএল্টি টু এনিমেলস এক্ট এমেন্দ তৌদুনা চৎনহনখিবা ওর্দিনান্সকী মহুৎতা বিল অসি ওইনা চৎনহল্লগনি হায়না পল্লদুনা টামিল নাদুগী গভর্ণর সী ঐচ বিদ্যাসাগর রাওনা হায়খি মদুদি, অপনবা লৈতনা জাল্লিকাটু পাঙথোকপা য়াহন্নবগীদমক এসেমব্লিদা বিল অমা পাস তৌখিবনি।

ষ্টেট এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙখিবদা গভর্ণরনা হায়খি, টামিল নাদুদা খুন্দারিবা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না জাল্লিকাটু পাঙথোকপা য়াহন্নবগীদমক অনৌবা বিল অমা পুথোক্তুনা পাস তৌখিবনি।

## জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা মীয়ামগী ঈহৌ নমথবদা মোদিফাইদ পেলেট গন শীজিন্নরগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৭ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পেলেট গন শীজিন্নবদা প্রোটেষ্টর চা কয়ামরুম ফীভম থীনা শোকখিবগী মতুং তারকপদা মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মোদিফাইদ তৌরবা পেলেট গন শীজিন্নগদৌরি।

ফম থাদোকখিগদৌরবা সী আর পি এফকী দিরেক্টর জেনরেল কে দুর্গা প্রসাদনা মীয়ামদা অশোক-অপন নংবগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা শেমদোক্লবা পেলেট গন ওইনা শীজিন্নবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা সী আর পি এফনা মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা মখল কয়াগী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা চহীগী জুলাই ৮ দা হিজবুল মুজাহিদিনগী লুচিংবা বুরহানৱানিবু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী ঈহৌ লাকপদগী ষ্টেট পুলিস অমসুং সী আর পি এফনা ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লদুনা লাকখি।

জুলাই ৮ দা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ওইনা খ্বাইদগী পাম্না ফাগদৌবগী তান্নরকখিবা মিলিটেন্ট লীদর অমা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা হাৎখিবনি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী কোকরনাগ য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা মফম কয়াদা থিবা-হুন্বগী থবক চথরবা মতুংদা মিলিটেন্ট অদু হাৎপা ঙমখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা পুলিস অমদি আর্মিগী অপূনবা টিম অমনা কোকরনাগকী বমদুরা খুঙ্গংদা থিবা-হুন্বগী থবক চথখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মফম অদুদা চঙশিল্লুবদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপথোরকখি। সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগীসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা হিজবুল মুজাহিদীনগী মকোক থোংবা লুচিংবা বর্হান ৱানি শিখিবনি হায়রি।

কুমজা ২০১০ দা হিজবুল মুজাহিদীনদা য়াওরকখিবা ৱানিনা লুপ অসিগী মরুওইবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মথক্তা এটেক চথুদুনা আর্মি জৱান অমদি পুলিস পার্সনেল কয়া হাৎপা লৈখ্রবনি।

ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী খোঙজং চঙশিল্লকপনা মরম ওইরদুনা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহল্লকপদগী শ্রীনগর দিষ্ট্রিক্ট, অনন্তনাগ টাউন অমদি বদগাম এরিয়াদা মতম শাংনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লকখি।

হৌখিবা জুলাই ৮দা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হিজবুল মুজাহিদীনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানি হাৎখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী খোঙজং চঙশিল্লকপদগী ষ্টেট অসিদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমদুনা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহনখিবনি।

মীয়ামগী খোঙজং নমথনবা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই কয়া শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লিশিং কয়ামরুম অশোক-অপন নংখি। পুলিসকী মায়কৈদসু অশি-অনা নংখি।

হীরম অসিগী মতাংদা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি)না হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়ানা কাশ্মীরগী মতাংদা পাকিস্তানগা ৱারী শানদুনা ৱাথোক অসি লোইশিনহনবা মতম ওইরে। এন সী পিগী লুচিংবা তারিখ অনৱারনা পাউমীশিংদা হায়খি, নোংমৈনা সোল্যুসন পুরকপা ঙম্লোইদবা লৈবনা কাশ্মীরগী মতাংদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগা ৱারী শানবা মথৌ তাই। মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক শরুক য়াহন্দুনা ৱারী শানবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চৈরকসিদা, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা পেলেট গন শীজিন্নদুনা মীশি-মীনা থোকপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

টৈংথাৎপ্রোং/ লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থ্রক্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3644/03/02-02/03

ELECTION URGENT

No. 7/148/TRG-DCB/2016
GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DC/ DISTRICT ELECTION OFFICER
BISHNUPUR

N O T I C E
Bishnupur, 27th Feb. 2017

No. 7/148/TRG-DCB/2016: The Polling Personnel listed in the Annexure were found absent during the Poll Rehearsal held on 26/2/2017. Their unauthorized absence in election duty is viewed very seriously and they are hereby directed to show cause as to why appropriate disciplinary action under relevant Election and Service Rules should not be initiated against them in case of their failure to attend the next rehearsal scheduled at 10:00 am on 28th Feb. 2017 in the locations indicated below:-

1. 24-Nambol & 25-Oinam ACs - Kiyamba Ningshing Sanglen, Bishnupur
2. 26-Bishnupur AC - DIC Hall, Bishnupur
3. 27-Moirang & 29-Kumbi ACs - 2nd Floor Circuit House, Bishnupur
4. 28-Thanga AC - SSA Hall, Bishnupur

Sd/- M. Harekrishna
DC/District Election Officer,
Bishnupur

**Absentees of 28-Thanga AC for the rehearsal held on 26/02/2017**

| Sl.No. | Party No. | Name & Designation | Class |
|---|---|---|---|
| 1 | 14 | N.Loyangamba Singh, PT A. Rudra Aided H/s | APRO |
| 2. | 2 | Pukhrambam Sanakhanglen Singh, PT, Edu-S, NTK Model H/S | PO |
| 3. | 5 | L. Mohen Singh, Dist Malaria Officer CMO Office, Bishnupur | PRO |
| 4. | 5 | Y. Amuba Singh, PT ZEO-IV, Irengbam Aided H/S | APRO |
| 5. | 8 | N. Baleshwor Singh, PT ZEO-IV, Leimapokpam P/S | APRO |
| 6. | 8 | L. Kumar Singh, Technical Assistant Electricity, MSPDCL | PO |

**Absentees of 29-Kumbi AC for the rehearsal held on 26/02/2017**

| Sl.No. | Party No. | Name & Designation | Class |
|---|---|---|---|
| 1 | 8 | O. Mahesh Singh, GT (Sc), DI Moirang Shribon Jr. H/S | PRO |
| 2. | 14 | S. Babu Singh, PT, ZEO-IV, Ishok Maning P/S, | APRO |
| 3. | 21 | Y Modhu Singh, Peon CAF & PD , District Supply Office | PO |
| 4. | 24 | L. Mahendra Sharma, R/M IFCD, Bishnupur | PO |
| 5. | 30 | Angom Meino Singh, Watchman Electricity | PO |
| 6. | 33 | A.Sorojini Devi, GT(Sc), Edu-S, TP H/S | PO |
| 7. | 40 | K. Bimola Devi, ZEO-IV, H/M Gokul Jr. H/S | PO |

**Absentees of 27-Moirang AC for the rehearsal held on 26/02/2017**

| Sl.No. | Party No. | Name & Designation | Class |
|---|---|---|---|
| 1 | 12 | Md Anwar Huisen, Watchman Electricity | PO |
| 2. | 21 | L. Ibetombi Devi, Field Attendant District Veterinary Office, Bishnupur | PO |
| 3. | 33 | K. Tampha Devi, Gr.T (Sc), ZEO-IV, Irengbam H/S (Aided) | PO |
| 4. | 44 | Potshangbam Purnima Devi, Field Attendant, District Veterinary Office | PO |
| 5. | 49 | Khomdram Biren Singh, DM, MSPDCL | PRO |

**Absentees of 26-Bishenpur AC for the rehearsal held on 26/02/2017**

| Sl.No | Party No. | Name and Designation Department | Class |
|---|---|---|---|
| 1 | 1 | L SHANTI DEVI P/T ZEO-IV , Nambol Sabal Lower P/S | PO |
| 2 | 4 | P TOMCHOU SINGH Fish Farm Assistant Fishery , District Fishery Office | PO |
| 3 | 12 | M KUMAR SINGH UGT ZEO-IV , Ngaikhong Khunou Jr. H/S | PO |
| 4 | 13 | N JOY SINGH Grade IV Education -S , Keinou H/S | PO |
| 5 | 21 | L JOTIRMAYA SINGH Gr. Teacher (Arts) Education -S , | APRO |
| 6 | 22 | MD WAHIDUR RAHAMAN Grade IV Sericulture , Training Institute | PO |
| 7 | 29 | O.IBOMCHA SINGH Grade IV Commerce & Industry , DIC Bishnupur | PO |
| 8 | 35 | N APABI DEVI Primary Teacher Education -S , Thanga H/S | PO |
| 9 | 40 | M JETEN SINGH P/T ZEO-IV , Namoikhul LP/S | PRO |
| 10 | 43 | KAMEI ABUMNA R NAGA Head Master ZEO-IV , AYOKPA KABUI LP | APRO |
| 11 | 45 | MAIBAM ROMABATI DEVI Gr. Teacher (Hindi) ZEO-IV , Naorem Jr. H/S | PO |

**Absentees of 25/Oinam AC for the rehearsal held on 26/02/2017**

| Sl. No. | Party No. | Name Designation Department Bank Name IFSC Code Bank Account Number | Class |
|---|---|---|---|
| 1 | 1 | KH MANGOLJAO Gr. Teacher (Arts) ZEO-IV , Gokul Jr. H/S | PRO |
| 2 | 5 | KUMAM PARBATI DEVI Gr. Teacher (Sc) Education -S , Mukta H/S | PRO |
| 3 | 6 | LOITONGBAM SURCHANDRA SINGH Lecturer Education -S , Nambol Hr. Sec. School | PRO |
| 4 | 14 | I SANAHAL SINGH MHW Directorate of Health Services , CMO Bishnupur | APRO |
| 5 | 20 | N GOUTAM SINGH Lecturer Education -S , Bpr. Hr. Sec. School | PRO |
| 6 | 22 | SAGOLSHEM SURENDRO SINGH Lineman Electricity , Electricity | PO |
| 7 | 35 | MR SEILAL Bill Distributor Electricity , Electricity | PO |
| 8 | 36 | Y NIMAI SINGH A/T, ZEO-IV , Phadabi Jr. H/S | PRO |

**Absentees of 24- Nambol AC for the rehearsal held on 26-02-2017**

| Sl No | Party No. | Name Designation Department Bank Name IFSC Code Bank Account Number | Class |
|---|---|---|---|
| 1 | 2 | JAMES SUMKHANZAM Primary Teacher (SSA) DI Moirang , Kumbi Sandong P/S | APRO |
| 2 | 6 | OKRAM SURJIT SINGH Assistant Meter Reader Electricity , Electricity | PO |
| 3 | 10 | PH YAIMA SINGH Grade IV DI Moirang , DI Moirang | PO |
| 4 | 17 | KHANGEMBAM IBOTON SINGH Gr. Teacher (Arts) DI Moirang , Kumbi Central H/S | PRO |
| 5 | 18 | KONTHOUJAM DEBANANDA SINGH Gr. Teacher (Arts) DI Moirang , DI Moirang | PRO |
| 6 | 18 | M MANIHAR SINGH Field Attendant Veterinary , District Vety. Office | PO |
| 7 | 20 | PH KUMAR Grade IV Univ. & Hr. Edu , Moirang College | PO |
| 8 | 21 | LAISHRAM MANITOMBI DEVI Primary Teacher ZEO-IV , Gokul Jr. H/S | PO |
| 9 | 23 | KHANGEMBAM KULLACHANDRA SINGH Field Assistant Veterinary, District Vety. Office | PO |
| 10 | 27 | RK NODIACHAN SINGH Head Master Education -S , NTK. Sadar Patel H/S | PRO |
| 11 | 28 | CHONGTHAM NOYIN SINGH Lecturer Education -S , Nambol Hr. Sec. School | PRO |
| 12 | 28 | N OKRENDRO SINGH P. E. T. DI Moirang , Nongmaikhong Aided Jr. H.S | APRO |
| 13 | 28 | BIDYARANI NINGTHOUJAM Upper Primary Teacher (SSA), DI Moirang , Ngangkhalawai Upper P/S | PO |
| 14 | 28 | O JUGINDRO SINGH Khalasi LDA , LDA | PO |
| 15 | 28 | YANGKHOLAM HAOKIP Technical Assistant Electricity , Electricity | PO |
| 16 | 32 | TH SHAMUNGOU SINGH Office Assistant Cum Computer Operator DRDA , DRDA, Bishnupur | PO |
| 17 | 35 | KHANGEMBAM IBOJAO SINGH Technical Assistant Electricity , Electricity | PO |
| 18 | 36 | L HRINGHMUKIP KOM Field Assistant Veterinary , District Vety. Office | PO |
| 19 | 37 | KONTHOUJAM IBOPISHAK SINGH Primary Teacher ZEO-IV , Ningthoukhong Kha H/S | APRO |
| 20 | 38 | G BIJAYNTIMALA P/T ZEO-IV , Keinou Thongthak LP/S | PO |
| 21 | 40 | O BIMOL SINGH Laboratory Technician Directorate of Health Services , CMO Bishnupur | APRO |
| 22 | 42 | N SANATHOI SINGH Primary Teacher (SSA) DI Moirang , Khordak Khongbal P/S | APRO |
| 23 | 45 | RK ROSALIN, Primary Teacher (SSA) DI Moirang , Gurukhana PS | APRO |
| 24 | 45 | W IBOHAL SINGH Primary Teacher ZEO-IV , Bishnupur Awang P/S | PO |
| 25 | 47 | L RAJESH SINGH R/M, IFCD , IFCD Bishnupur | PO |

HL-B/3717/28